ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯖꯅꯨꯋꯥꯔꯤ ꯰꯴, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯷꯸ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, জন্যুৱারী ০৪, ২০২২, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ২৭৮শুবা মশীং

## মীয়ামগা ৱাফংনহৌগদবনি

### মীখল মমাঙদা লৈখাই তাথোক্লহৌগদবনি

মণিপুরগী অনৌবা মীখল পাঙথোক্কদবা নুমিৎ নকশিল্লক্লে। নকশিল্লকপগী হৌনবা মীখলসিদা শরুক য়াগদবা পোলিটিকেল পার্টিশিং অমসুং মখোয়গী মীরেপ ওইগদৌরিবশিং খোইরেল মসা পানখৎনরক্লে। ইলেক্সনগী কেম্প্যেন নোংম-নোংমগী কনখৎনরক্লে। মীখলসিদা ভোট ফংনবগীদমক মাগী-মাগী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মীয়াম থেম্নবগীদমক তৌদবা থবক লৈশিল্লক্ত্রে। শঙ্গাবা, উরেপ-উয়ুং তন্বদগীনা নীংথমথাগী ফি-রোল অথাবা, মৈতাল য়েনবা, লৈঙাক্কী অমসুং লন্নাইগী পেন্সনগী শেনফমশিং য়েন্থোকপা, ঈশিং হাপ্পবা সিন্টেক্স পীবা য়াওনা ভোটরশিংনা পাম্মী, পীয়ু হায়দুনা খুদোম্বীবু হেক থিল্লক্লবদি অদুম্মক পীবগী থৌওংশিং লেপ্তুনা চখরক্লে। শেল পীয়ু হায়রবসু পীরে। পূন্নমকসি শান্নবুং শেমগৎপা, লম্বী শেমজিনবা, উকু শাবা অমসুং তৌ হায়বা থবকশিং তৌবগী মথক্তনি। ফৈ তৌসনু, থবকশিংসিনা মীয়াম পূন্নমক্তা কান্নবা, ওইজ-ওইথক চাকথুং মান্ননা পীবমক থোকহন্দ্রবসু অকক্লবা মফম অমগী মীওই খরগীদি চাওরবা মতেংনি। মখোয়গী অরাম খৌরাংবশিং কোক্লরিবনি। অদুবু হায়রিবা থৌওংশিংসিদি লন্নাই মীওই খরগী, অকক্লবা অরেপ্পা মফম খরখক্কী ৱানি। থবকশিংসিনা মণিপুরগী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি ৬০গী, চীং অমসুং তমগী ওইবা, ষ্টেটসিগী অপূনবা ইস্যুশিংগদি মরী লৈনবা নত্তে। মসি ওইরগদি অসিগুম্বা অনৌবা মীখলসিগী মাঙওইননা মীওই খুজোক খরনা খুদোংচাবা লৌহৌনবা, ঙাইহাক-ঙাইহাক্কী ওইবা অচিৎ-অকোমদা মতেং ওইনবনি হায়দুনা খূৎ অনী তিংথোক্তুনা লৌশিনবগী মহুত্তা মণিপুর মীয়ামগী ওইবা হৌজিক মাঙদা তারিবা ৱাফমশিং অমসুং ইস্যুশিংসি মতম কুইনগী, তুং-কোইনগী ওইনা অরোইবা ৱাতুপ্পবা অমা পুরক্লবা হোৎনহৌবনা চুপ্লোইদ্রা? থৌওংসি চখরসি হায়রিবসি নৌনা পাঙথোক্লগদবা মীখলসিগী খুদোংচাবা লৌহৌরসি হায়বা নত্তে। অমরোমদনা পাঙথোক্লগদবা মীখলসিনা ষ্টেটসিগী চহী ৫গী অনৌবা লাইবক লেপকদৌরিবনা খুদোংচাবা লৌহৌবগী ৱাফম নত্তুনা মীখলসিদা শরুক য়াগদৌরিবা মীরেপশিং অমসুং পোলিটিকেল পার্টিশিংগী চপ চাবা কম্মিটমেন্টশিং ইস্যুশিংসিগী মতাংদা লৌহৌগদবনি। মায়োক্লরিবা ইস্যুশিংসি হৌজিক নুমিৎ খরনিদা ঙাইশিল্লক্লবা মীখল মমাঙসিদা শন্তাইনবা পুরকপা ঙল্লোইদবশিংনা মথংগী চহী ৫দা শোয়দনা থবক্তা ওন্থোক্কনি হায়বগী চেকশিন ৱা লৌহৌবা চুমগনি।

হৌজিক মায়োক্লরিবা ইস্যুশিংসিগী মনুংদা ফোং-ফোং শানা য়াওরিবসি মীতৈ/মৈতৈবু লৈবাকসিগী কন্সটিট্যুসনগী সেদ্যুল্ড ত্রাইবকী লিষ্টতা চলহনবগী ৱাফম, মণিপুরদা চহী কয়াগী মমাঙদগী লিশাং-শিৎনা থল্লক্লিবা 'দিষ্টর্বদ এরিয়া ষ্টেটস' লৌথোক্তুনা আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পৱার্স এক্ট, ১৯৫৮ পুমলৌ লৌথোকপা, চৎনহল্লক্লিবা ইন্নর-লাইন পর্মিট সিষ্টম অসিদা ৱাৎলিবা মচাকশিং হাপচিন্দুনা মপূং ফানা চৎনহনবা, সনামহী লাইনীং চৎপশিংবু লৈবাকসিগী মাইনোরিটি রিলিজনগী লিষ্টতা য়াওহনবনচিংবনি। পূন্নমকসিগী মথক্তা ওইথোক্কনি হেক্তা থাজদ্রিবা ৱাফমনা মণিপুরদগী শেঙ্গা-থুমজা অমসুং হুরান-লোঙ্গানবগী ফৎত্রবা, অমোৎপা থবকশিং মরূ ফংনা মুখৎলগা লাপ্পা লংথোকখিবা অমসুং লাইরিক লাইশু হৈরবা মীওইশিংদা চানবা থবকশিং পীবনি। হায়রিবশিংসি থবক মচা অমসুং অঙাং অমত্তা নত্তে। অদুবু পোলিটিকেল ৱিল লৈবা, খোঙফম চেৎপা পোলিটিকেল লিদর অমসুং পার্টি অমদি নিপা থোকপা লৈঙাক অমনদি ঙমদবা লৈরোইদবা, শোয়দনা অরেপ্পা ৱাখৈশিং পুরকপা ঙমগদবা ইস্যু ঙাক্তনি। মরম অসিনা অনৌবা মীখলগী মাঙওইননা ইস্যুশিং অসিগী মতাংদা হৌজিক অনৌবা মীখলসিগীদমক খিংলিবা মীরেপ ওইগদবশিং অমসুং মখোয়গী পোলিটিকেল পার্টিশিংগা মীয়ামগগী মরক্তা মীমাঙ থোক্লা ৱাফংনদুনা লৈখাই তাথোক্লহৌবা চুমগনি। চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংগীসু মণিপুর ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলস বিল, ২০২১গী ৱাফমসু লৈরিবনা চীং-তমগী মীয়ামগা পূন্না করিনো অতাবী অমা নাখে শেংদোক্লহৌবা চুমগনি খল্লি। মরমদি ইস্যুশিংসি লৈবাক মীয়ামগী ওইবা ইস্যুনি। অদুগা পাঙথোক্কদৌরিবা অনৌবা মীখলসিসু মণিপুরগী মীয়ামগী চহী ৫গী লাইবক লেপকদৌরিবা ইলেক্সননি। অদুনা মীখল মমাঙসিদা মীরেপ অমসুং পোলিটিকেল পার্টিশিংগী চপ চাবা ফিরেপ অমা খঙদোকহৌবা চুমগনি। লন্নাই মীওই খরগী ওইজ-ওইথক ফংই, লৌজনাম-পুজনামগী খুদোংচাবা ফংই হায়দুনা ঐ-ঐগীতা হায়দুনা অখুবা মিৎয়েংদা হন্থরগা লৈথোকপা চুপ্লোই। হান্না মীরেপ ওইখ্রবশিংসু, কাখ্রবশিংসু অদুগা অনৌবা কারক্কদবশিংদসু চীং-তমগী মীয়াম পূন্নমক্লা চপ মান্ননা মীয়াম্না ষ্টেটসিগী ওইবা পাড়া অমা তম্বীহৌবা তঙাইফদে হায়নীংই। ইস্যুশিংদা মীয়াম অমসুং চীং তম খাইবুং-খাইবুং তারগা মরীল চুমদবা লৈঙাক্লোইশিংনা অমুক্কসু হন্না খুদোংচাবা লৌখিনি। মণিপুর উচিদা অদুম্মক হঙ্জিন্দুনা লৈখিগনি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩৩

১) ''*তালোই মরুম্বী, মপারি নুংজানবা, মমোম নুংঙোনবী মরল য়াৱা পুজাও রোইবা পুন্নমাসুং অমল য়াইথোং কুম্বদা ৱাইর লমজেন ফিগুম ঙাইরোইনদে। গুরুমপাওতাক ফংজবদা -- ৱারমসনা মৈখাংবদুম নামপ্রকাশ ময়েক অহুমমানা ৱাকয়ে হিগা ওই, লমলোই থৌদোক খোলনা খুমুনৌগা ওই, ৱাচুম ললওইননা মানা মানা নিংবদা লাংওনখিএ। অসিগীদমকপু গুরুসনা মাখোংখাদা নোন্না লনথোই তানববু থিনফরোইএ*'' ৱাহৈ পরেংশিং অসি করি লাইরিক্তগী লৌথোরকপনো?

২) ''**শ্রী শ্রী গোবিন্দজী বসন্ত হোলি লিলা শৈশক শৈরেং**'' হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?

৩) ''*ইচে বীনো*'' হায়বা লাইরিক অসি অইবা কনানো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) ''*ফিমন খুনবা*'' হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কৃষ্ণমোহনা হন্দোকপনি। লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অদু কনানা করি লোলদা ইবা করি মমিং কৌবা লাইরিকনো?

৫) ''*মীকুপ খরদুই পুন্সিগী মহাও*'' হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারী ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# শেল শৎপবু হেক তৎলবা, ভোট তৎলি মণিপুরদা

হেক্তা হায়নীংলকই - ৬৮৬

**জিতেন নামৈরাকপম**

ফ্রী এন্দ ফ্যের ইলেক্সন ওইহনসি, মনি পৱার, মসল পৱার শীজিন্নগুমসি মদুগুম্বা কেন্দিদেটতা ভোট পীগুমসি হায়বা স্লোগান অসি হৌখিবা মীখল কয়াদসু হঞ্জিন-হঞ্জিন লাউনদুনতা লাক-খ্রবনি। অদুবু হৌজিক করি ফীভমদা লৈরিবগে হায়বসি মীয়াম্না হেন্না খঙবিরবনি। ভোট থাদবদি থা ২গুম্বা ৱাৎলমখিগদ্রা অদুবু মীয়ামগী পাউখোল্লোয় ওইজগে হায়না চোঙথোকপীরক্লিবা কেন্দিদেট ওইগদবশিংগী মরক্তগী কোভিদ ফর্ষ্ট ৱেভ, সেকেন্দ ৱেভতগী হৌরগা চেঙ চাক, আলু, তিলহৌ, ঙারি-ঙাতাই, থুম-মোরোক, অচাথাও, হৱাই, চেঙৱাই, মনা-মশিং য়েন্থোকপা অমদি হীদাক লাংথক য়াওনা এ সী থুংনা চৎতুনা য়ূমথোঙ থুংনা থুংহল্লকপদগী হৌজিক ফাওবদা লুপা ক্রোর হেন্না এক্সপেন্দিচর তৌবা কেন্দিদেট য়াওনরে হায়রি। করিগীসু য়াওরোই। কোভিদ লাইচৎ কল্লিঙৈগী মতমদা মশাগী গাড়ী পুথোক্তুনা কোভিদ ক্যের সেন্টর তম্না থিনবীবা, হীদাক লাংথক, অচা অথক য়েনবীবা অমদি অচংবা শেনফম পুথোকপীদুনা মীয়ামগী থৌগল তৌবীখিবা কেন্দিদেট কয়া কয়ানি। অদুবু হন্দক্কী ভোট খুখোমসিদি মমাঙগী মীখলগা মান্নদবা মওংদা জাৎ জাৎ তৌরকপা থেংনজে। কোভিদ কল্লিঙৈ মতমদসু থক্লবা ঈশিং সিন্টেক্স পোলিকোন থন্ন-থন্না গাড়ীদগী কাপশিল্লম্বা উজখি। হৌজিক্লা হাওস টু হাওস কেম্প্যেন চৎপা মতমদা অয়ূক্কী ব্রেকফাষ্ট দবলরুটি, পপ, চা-চিনি, শঙ্গোম পেকেট-পেকেট পীরম্বসু থেংনরে। মীয়ামগী থৌগলনি। মীয়ামগী পূক্লিং পেলহন্নবা হোৎনজবনি হায়না লৌবসু য়ারি।

ভোট লেপ্পা হায়বসি থথাগী থবক্তি নত্তে। ওন্থোক্লা ৱাখ্রবা জাৎনি। মদুনা হেক নুংঙাইবা হায়ববু ভোটকী রিজল্ট লাউথোরকপা নুমিৎতা ভোট কাবগী নুংঙাইবদু মঙাইরে। লৈ পরেংগা হুক্লদনা, ধোনগা থিল্লদনা, বজাই বেঙ্গুনগা খোংলদনা, থাবলগা চোঙদনা, চাক চাবগী ঙা শারেং, রৌ, অহিল্লা, য়েন, ঙানু, ওকশা, ষণশাগা হৈথবমখৈ থোংলগা মহাউৎসব তৌবগী নুংঙাইবদুনা খুনুংঙাই অমনি। ভোটপু হেক কাহৌদ্রবা লোংনা তারে। মদুদা চঙখিবা শেনয়াম, লেবর, পাঙ্গল-শক্তি, মেন্টেল্লি, ফাইনান্সিএল্লি, ফিজিকেল্লি থা ৬ হৌগৎপা ঙমদ্রে হায়বদুনি। য়ূমগী ইঙ্খোলদা লফু হৌবা ঙম্বদি লায়রদনা আলু মনাফাও পানবা ঙমদ্রে, ইরোনবগী থৎখিবদা, কনাগী পুমতুমনি। অমনা কুইরবগী ৱারীনি। অহল অমনা ফৈজোম পুময়াৎকসু শেৎলি, লিৎলি। চন্দোন চৱা লংনা থিল্লি। নুংতি নুমিৎ খুদিংগী অয়ূক্কী মতমদা কেন্দিদেটকী য়ূমদা লাকই, ৱা তানবা য়াওই। অহল অদুনা কেন্দিদেট অদুবু য়াম্না নুংশিনা লোয়নজে, ভোটর ১৮গুম্বদি পুথোক্কে, মচা মশু, মমৌ ঙাক্তনি, শোয়দ্রবনি, অতৈ অতৈসু খোল্লি ফোঙদোকচৈ। মাগী ইচম চমজবা মতৌদুনা কেন্দিদেট অদুনা অহল অদুবু য়াম্না লুনা তৌজে। মথন্তা মখোঙনা লাকচবদুদা খরচ ওইনবা মরক মরক্তা লুপা লিশীং ১/২ পীজে। মখোয় অনীগী মরী হেন্না হেন্না নকশিল্লকখ্রে। ''অহলগা ওইশিল্লে, খোঙনা চৎপসি ৱারে ইবুংঙো কেন্দিদেট, হম্বর সাইকল অমনবা ওইরবসু অমত্তদি লৈবীয়ু'' হায়জে অহলদুনা। ভোটসু থৱায় য়াওনা চেঞ্জবা নুংশিখ্রবা অহল অদুগীদমক্তা ''করিগী সেকেন্দ হেন্দগী সাইকল লৈগনি, অহনবা অমা লৈরগে পাবুং'' হায়দনা লংত্রিক লংবা হম্বর সাইকল অহনবা অমা পাওনা বজারগী সাইকল য়োনবা ইবোহলগী দুকান দগী লৈবীরে। অহল অদুসু হরাওজরে, নুংঙাইজরে। অদগীদি অহল অদুসু তেক তেক অয়ূক্তা সাইকলদুদা নুমিৎ মঙানিদি লাকচরম্মী। চা থক্লম্মী, অচাপোৎ চাজরম্মী, কিং সাইজগা থক্লম্মী। মদুগী মতুংদা নুমিৎ ৫নি হেক লান্থোকখিবদগীদি কেন্দিদেটকী য়ূমদা মশক উবা ফংখিদ্রে। মীয়াম্নদি হংনৈ, নুংশিখ্রবা অহল অদু অনা অয়েক য়াওরবা জাৎলা, নাখ্রবা জাৎলা মুন্না থিজিল্লুবা মতমদদি অহল অদু মশা খিংনা হম্বর সাইকলদু থৌরগা এ সী অদুগী অতোপ্পা কেন্দিদেট অমগীদা কুন্দুনা লৈখ্রে হায়না তাখি।

ভোট হায়বদু অসিনি হায়বা য়াই। দেমোক্রেসিগী ওইনদি ইলেক্সনগী মতমসি হরাউ কুম্মৈনি। ফেষ্টিবেলনি। য়াম্না চাওখ্রবা য়াওশঙগুম্বা, ইদকুম্বা, খৃষ্টমাসকুম্বা কুম্মৈনি হায়না লৌবসু য়াবজ ৎনি। মসিগী মতাংদা ৱাজরিবনা কেন্দিদেট অমদি মাগী ইমুংনি, শেল থাদরিবশিংদুনি। নোংমা ঐগী এ সীদা ভোট লেপ্পা ইমুংগী ইনাওশিং থোকপা অমনা হায়খি, ''দদা করিনুংগীনো হায়বদু য়ৌবা জাৎনি ভোট লেপ্পসি। তৌবা য়াবা তৌরে, পীবা য়াবা পীরে। হৌজিক্তি তুক্কচবা অমদুম ফাওরক্লে। নুংতিগী পীয়ুগা চাগেগা থক্কেগা। তৌরুদবসু য়াবা নত্তে। মখোয়গী মপূক্লিং পেন্নবা, হরাওহন্নবা হোৎনবদা অৱাবগী মশকনি। অদুবু তৌরবদি তৌখ্রে, কিরবদি চঙলুনু, চঙখ্রবদি হল্লুনু হায়বরোমদা চখরগনি। ভোট লেপ্লিবসি পোননবা নত্তে, কাননবনি। মনি পৱার, মসল পৱার শীজিন্নবা তাবনি। মদুবু হেক কিরুরবা ভোট কাবা ৱাগনি। মখোয়না লিশীং ৩ য়েল্লক্লবা ঐনা লিশীং ৫ য়েনগনি। মঙা য়েল্লে তরা য়েনগনি, থবক্লা উৎথোরক্কে য়েংবীয়ু অসিনি। ঐনা মতম অদুদা খনখি মখোয় অসি শেল য়াম্না পায়বা জাৎলা?

শোমদসু অমুক য়েংসি। অফবা কেন্দিদেট খনসি, ঐখোয়গী ভোট শেলনা লৈহনগুমসি, ভোটপু য়োন্থোকপদি পামজদে, তৌবসু তৌরোইদবনি। মমল য়ামখ্রবা ঐগী ভোট লুপা লিশীং ৫/১০দা য়োন্থোকপা হৌনদে। মদু হেক তৌরুরবা ঐ মাগী মীনাই ওইবা তাবনি। মরমদি ঐগী হকপু মানা লৈখ্রবা মঙোন্দা ঐনা হঙ্গৎনা ৱা ঙাঙবা ঙম্লুবগী শক্তি লৈতে। ভোট লেপ্পদা লুপা লাখ লাখ, ক্রোর ক্রোর চঙই হায়বসিদি মীয়াম্না য়াবিনীংগনি খঞ্জে। অদুনবু হংনরিবনি - নঙনা ভোট লেপকনি চোঙথোরক্লিবদুবু শেল কয়াম পায়জরবগে? ভোটরশিংনা শেল পায়দ্রবদি ভোট লেপহন্নীংদেসু হায়রে। অদুনদি করপসনগী ৱাসি ভোটরদগী অদুম হৌরবনি। অমুকসু য়েংসি, কোভিদ ওইরো ফোভিদ ওইরো ইন্টেন্দিং কেন্দিদেটতুনা রিমসলা, জেনিমসলা, শিজরা, রাজলা অনাবদু পুখৎলি। হোস্পিটালদুদা অনাবদুবু হুন্দোক্লল্লগা থল্লবা য়াবরা? অচংবা শেল পূন্নমক পুথোকপা তাবনি। অদুনা কেন্দিদেট ওইগনি হায়দুনা চোঙথোরক্লিবা সোসল ৱার্করশিংসি নুংশিদ্রো? খরা য়াম্না থোকপীরকউ অসিনি। ঐখোয়গী এ সীদদি কনানা মিং থোল্লিবনো খঙদে ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট কায়দনা হন্দক্তা তাজে। মখোয় ৬ কুম্বা ভোট লেপকনি হায়রি। য়ারগদি মখোয় চাম্মগুম্বা চোঙথোকপীরল্লগদি ভোট মমাঙ অসিদা ঐখোয়গী এ সীসি দেল্লীদৌনা লংত্রিক লংগদৌবা মাল্লি। খরা য়াম্না মীয়ামগী থৌগল তৌগনি হায়না চোঙথোকপীরকউ অসিনি।

কেন্দিদেটশিংগী মরক্তা পংহুন্দা হুন্নবা, লাউনবা, শীথনবা কয়াসু থেংনজে। মীয়ামসু পংহায়দা হায়নরি - শেল খরা পায়রগা ভোট লেপকে চোঙথোকই, ঠিকাদার, করবার ৱালা, কন্ট্রেক্টর, লাইরিক হৈবা হৈতবা, ঙা করবার তৌবা, চেক্কী করবার তৌবা কাঙবুনা ভোট লেপকে চোঙথোকপীরক্কনু, নঙগী নঙগী শিনফমদা অদুম তৌবীয়ু, পোলিটিক্সতা তোৎশিনবীগনু অসিনি। মতাং অসিদা ঐনা হায়জরি - নঙদি করি ওইরদনা? মীঙোন্দা চৈবীরুনু, নঙনা মীঙোন্দগী হেনবা নত্তে। লাইরিক হৈবা, অরানবা থবক তৌবা হৈবা কাঙবুনা মণিপুরসি মাঙহল্লম্বনি হায়নসু লাউনরি। অদুবু অরোইবদা থমজনীংবদি ফগেরা ফরোইরা শেল লৈতবা/পায়দবা কেন্দিদেটনা ভোট লেপ্পা মতমদা শেল শৎপা তৎলবা ভোট তৎলে থাজবীয়ু। সিম্পেথেটিক ভোটকা হায়বসিদি চাদা অনীনি, মণিপুরদা। মসি ঐহাক্কী এক্সপরিয়েন্সনি থাজবীয়ু।

করপসনবু কনানা ফৈ হায়গদৌরিবনো? ভোট থাদবদগী হৌনা করপসন হৌরকপা তারগদি মথং মথং অদুম্মক চেন্থখিবা তাবনি। শোমদবুদি পংঙাঙদা ঙাঙনবা, পংনৈদা নৈনবা। অফবা মীহুৎ খনসি, ভোটকী শেল লৌরোইসি, অচুম্বা অফবা থবক তৌগদবা মরৈবাক নুংশিবা, কৎথোকপতনা মশরুক ওইবা, মণিপুরগী চাওখৎ লমজেলদা শরুক য়াগদবা থম্মোয় শেংবা মীহুৎ খনসি। অদুবু হায়রিবা ৱাখল্লোন অসি তৌবা ঙমদনা অসুম লাক্লি। উচি ৱারেপনি। শেল পামদবা কনামত্তা লৈরমদে। মতাং অসিদা ৱারী খরা নীংশিংলকই। মমিংদি পঞ্জরোই, কুইরে ৱাইল্ড লাইফ প্রোটেক্সনগা মরী লৈননা চীংগী লমদা মন্ত্রিনা ফঙ্কসন অমা পাঙথোকখি। শা উচেক কনগদবনি, ঐখোয়না মখোয়বু কনবীহৌদ্রগদি চেদা য়েকপা লাই ওইনা লৈহৌরগনি হায়বনচিংবা ফজ-ফজরবা স্পিচ ঙাক্তা পীনখি। মীয়াম্না খূবাক প্রোক প্রোক খুনখি। ফঙ্কসন লোইশিল্লগা হাউরবা শজি থোংবগী মথেল চানখি। চপ মান্নে। য়ু থিংগদবনি, নিশানা হৌগৎলক্লিবা নহারোলশিংবু মাঙহন্নবগী মচাক ওইরিবসি থিংহৌবা মতম থেংমল্লে। খূবাক্কী মখোলতনা না পংশিনগে তৌখি। ৱাঙাঙলোই অদুনা ষ্টেজদগী কুমথরক্লগা নাকন্দা লৈরম্বা ওর্গনাইজর নহা অমদা হংখি - ''ইবুংঙো নহোয় শ্বাইদা পোৎ লৈত্রো? পেগ মচা অমত্তা চিংগে।'' মসিনি মণিপুর হৌজিক ৱিং লাউনা চৎনরিবা মচৎ! মরম অসিনা ভোটতা শেলবু চাউনা য়েন্দ্রবা, ভোট কাবগী ৱাদি শুকলৈ হেক লৈত্রে। ●

# ঈনাৎলা, মীনাৎলা য়োকখৎকদবসি ! - ৫০

ৱাখল ইহুল

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

মতুং তারকপদা, নৈনবিবদা নুংঙাইনবা ৱাফম অমত্তং থমজগে মদুদি অইবগী ৱারেংগী তাঙ্কক খুদিংদা ''মৈতৈ/মীতৈ; মীতৈ/মৈতৈ'' হায়না ইজরকপা মতমদা ৱাহায় অনীসি তোঙানবা ওইনা লৌবীদনবা নীংশিংজবসিনি। অদু অদা হায়গদবনি হায়বা লোমদা চঙশিনজদনা অনীমক অমত্তনি হায়না লৌজরগা ইজবনি। শম্না হায়রবদা, খুন্নাইদা য়েৎনবা মশীং হন্থহন্নবগী পান্দমদনি।

মপান বামোন নুপাশিংনা লমদমসিদা চঙলক্লবা মতুংদা চীংমী-তম্মী নিঙোল লৌরগা/পান্নরগা পোকপা য়ানশিন্নরবা বামোন মচাশিং - খুন্নাইদা মীতৈ/মৈতৈ বামোন হায়না খঙনবশিংনা অমুক লমদমসিগী চৎনবী মিঙ্গৌদা রাজকুমারী (আর কে) হায়বী চনু নিংঙোল অমা লৌরগা/পান্নরগা পোকপা মচা-মশুশিংদু মখোয়গী অহানবা মচাদু/মশুদু নুপামচা ওইরবদি মমিং 'ইবোহল' কৌনৈ। মথং নুপা অমসু অমুক পোক্লবদি অনীশুবা নুপামচাদুগী মমিং 'ইবোয়াইমা' কৌনৈ। অসুম্না নুপীমচানা অহল অমদি অনীশুবীশিং ওইরবদি ''ইবেমহল অমদি ইবেয়াইমা' কৌনৈ। অদোমগী লৈকায়শিংদা লৈনবা য়াওরমগনি। মসিদগী খরা তোঙানবা মওংদা মৈতৈ/মীতৈ নৎত্রগা চীংমীগী চনু নিংঙোল অমা লৌরগা পোকপা মচানুপা/মচানুপীশিংদি মখোয়না কৌনীংবা মমিং অদুম কৌনৈ/থোন্নে। অদুগা মখোয়খক্তগী ওইবা চৎনবীদা মখোয়গী মচাশিং/মশুশিংনা লৌরগা তম্মী/চীংমী চনু নিংঙোলশিংনা পোকপা মচাশিং হায়বদি মশুশিংদু - নুপানা অহল ওইরবদি 'মমৌগী মখূৎ চাবা', মচানুপীনা অহল ওইরগনা 'মমৌগী মখূৎ চাদবা' হায়বা চৎনবী অমা লৈরম্বগুম তৌবসি 'করম্বা লাইনীংগী লিচৎনো' হায়বসিনি। পামহৈবা নিংথৌগী মমাঙদা লৈরমদবা চৎনবী কোদ নেম 'গোত্র' দি মীরম লাইনীং নম্ফুদা চৎনহন্নবা হোৎনবদা চপ মান্নবা গোত্র পীশিল্লগা লৌন-লৈনবা য়াদে হায়বা তারবদি/খল্লবদি মীগা মীগগী মরক্তা খেন্নবা থমদুনা খুন্নাইদা চৈখল অমা ওইহল্লিবা মীরমগী 'গোত্র' সি লৌফম থোক্তে হায়বা নত্তনা করিবু হায়নীংঙাই লৈবগে।

নাকল অমরোমদা অমুক মীরমগী অশেংবা বামোন হায়বদি হান্না কংলৈপাক কোন্নথংদা মণিপুর কৌরবা লমদমসিগী ৱাংমদা লৈবা বামোনশিংনদি হান্নদগী লৈরকপা হৌজিকসু চৎনদুনা লৈরিবা 'য়েক-সলাই' অমদি মীরমগী হৌরকফম তাকপা 'গোত্র' অনীসিগী মরক্তা লৈরিবা খেন্নবা ঈচেলসি/ৱাহন্থোকসি খঙদবদগী মখোয়গী মমৌ ওইবদা য়ানীংবা য়ানীংদবগী ৱাফম লাকপদি খন্নবা য়াবা ৱাখল্লোন/ৱাফম কয়া লৈবনা ওইগনি হায়না লৌবা য়াই। লমদমসিগী ওইবা য়াম্না ফজবা মচৎ অমদি শাগৈ শাগৈগী য়ূমদাবা পুয়া ইবা মতমদা - শাগৈগীদা মচানুপা (পিবা) ওইবশিংগীদি শাগৈগী য়ূমদাবা পুয়া ইবদা অকূপ্পা মরোল য়াওরগা মচানুপী/মশুনুপী ওইবীশিংগীদি য়ূমদাবা পুয়া ইবদা য়াওদে। মসিদা ইচানুপী/ইশুনুপীশিংনা ৱারৌবা য়াবসিগী মরুমদা য়াম্না ফজবা অতৈ ফুরুপশিংগী চৎনবীদা লৈরমদবা য়াবা ৱাফম অমা লৈবসিনি। মদুদি ''মীতৈ/মৈতৈ খুন্নাইলোনগী চৎনবীদা ইচানুপী/ইশুনুপী মখৈগী য়ূম্নাক শাগৈগী য়েক্কী মমিংদি লৈশাবী ওইরিঙৈ হায়বদি ময়ূম পানদ্রিঙৈগী মতমদু ফাওবদনি, মসিগী মতুংদগীদি মখোয় মখোয়না ওংলুবা নুপা ময়ূমগী য়ূম্নাক শাগৈ য়েক্তা ওনখ্রগদবনিনা - শম্না নুপী ওইবীশিংগীদি য়ূম্নাক শাগৈ য়েক লৈতে হায়বসি খঙহন্নবা মপামগী য়ূমদাবা পুয়াদা মখল খুদিংগী নুপীশিং হায়বদি য়ূম্নাক শাগৈ য়েক্তুদা মৌ ওইরবশিং নত্তবশিংগী মরমদা ইদবনি। চৎনবীদা মখোয়গী মমিং মথাদি মখোয়না ওংলুবা অদুগী য়ূমদাবা পুয়াদা য়াওগদবনি। তশেংনা হায়বা তারবদি ময়ূম পান্দুনা য়ূম্নাক-শাগৈ - য়েক হোংখ্রবী ইচানুপী/ইশুনুপীশিংদা মপামগী মীওইশিংনা করিসু নত্তবা মরমগীদমক পামই পামদে হায়দুনা খূৎ থিংজিনফম থোক্তে। অদুম ওইনমক, খুন্নাইনা য়ারোইদবা তায়োন্নবা মরম অমা নৎত্রগা অমনা য়ূম্নাক শাগৈ য়েক হোংখ্রবী ইচানুপীশিং/ইশুনুপীশিংদা চখবা মীওৎ-মীনৈদি মপামগী নৎত্রগা মরী লৈনবশিংনা খূৎ থিংজিনবগী চৎনবীদি অদুম মাঙদনা লৈ হায়না লৌগনি। মসিদি মীওইবা অমনা মীওইবা অমদা চৎহৈদবা/চৎলোইদবা লিচৎ চৎলক্লবা মতাং, মতমদতনি। মপামগীদা চৎলকপা লোনচৎকা নুপা ময়ূমদা চৎপা লোনচৎকা মান্নরবদি হেন্না ফজবা লোনচৎ চৎনবা ৱাখল মান্ননা তান্নগদবনি। অনীমক্তা মান্নদবা ওইরগনা নুপা ময়ূমগী চৎলিবা লোনচৎতু কূপ্না খঙনবা হোৎনরবা মতুংদা নুপা ময়ূমগী চৎনবী লোনচৎ ফজনা চৎনবা হোৎনগদবনি। অমা খঙদে, ফজবা লোনচৎতি পূন্না চৎনবা হোৎনবা হায়বসি নুপী ওইবীশিংগী মফমদা হোংদোকপা/শেমদোকপা ঙম্নবা মতিংদু তাইবঙ শেম্বা মপুনা নুপী ওইবীশিংদা খুদোল ওইনা পীরক্লবনি হায়বা য়াই। মসিবু করিনা তাকপগে হায়বদা - মপামগী খাবৈ অমা নুপা ময়ূমগী খাবৈ অমা হায়বা অহল লমনশিংনা থন্বীরম্বা মমল য়ামখ্রবা পাউরৌসিনা ময়েক শেংনা তাকই।''

হিন্দু লাইনীংগা মরী লৈনবা 'গোত্র' অমসুং 'বেষ ওল্লগা নাম ফংবা'' হায়বগী মতাংদা মৈতৈ বামোন মীয়াই ওইবগা লোয়ননা বামোন মচা ওইবগী ঈরাৎ ঈশোনগী থৌরমশিং খরসু তৌবা মখোয় অনীমক অইবগা খঙনবসু ওইবদগী তোঙান তোঙানবা মতম অমসুং নুমিৎতা তেন্তক্লা ৱারী শানবদা ফাওরকপা নুংঙাইবা ৱাফম খরগী পাউদম শন্নপ্পা থমজগে।

অহানবগী মৈতৈ বামোনসি অইবগা য়াম্না তোয়না লোয়নৈ। করিগুম্বা মতমদা পাঞ্জিকা শীজিন্নবগী মরমদা হংবা লাকই। অয়ূক্কী ৱাকিং চৎপদা হেক থেংনরগা চৎনা চৎনা ৱারী শানবদগী হেন্দোক্তুনা য়ামদ্রবদা পুঙ্খায় অমরোম ফাওবা ইবান্নি কায়নবা য়াবা মফম চাবা অমদা ফল্লগা/লেপ্পগা ৱারী অদুম শানদুনা খন্ন-নৈনবা অদুম তৌই। মশাগী চহী ৬০ রোমগী লেঙ্গা ওইগনি। গোত্রগী মতাং খন্নরকপদা ঐনা মঙোন্দা মৈতৈ বামোন মচাশিংসে লমদমসিদগী হৌরকপদা তম্মী-চীংমী নিংঙোল মচাশিংগী চাদা নাওদাশিংনি হায়বসি য়ানীংত্রা হংবদা - য়ানীংই হায়বা তাবনি হায়না থয়াইননা খুমই। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।